
# ফেসবূক্কী জকরবর্গনা প্রসিদেন্ট দোনাল্ড ট্রম্পকী ৱাফম য়াখিদ্রে



ৱাশিংটন, সেপ্টেম্বর ২৮ (এজেন্সি) :

ফেসবূক অসি 'এন্টি-ট্রম্প' ওই হায়বা য়ু এস প্রসিদেন্ট দোনাল্ড ট্রম্পকী ৱাফম সোসল নেটৱার্কিং সাইট অসিগী ফাউন্দর মার্ক জকরবর্গনা য়ানিংদবা ফোঙদোকখ্রে অমসুং ফেসবূকতি আইদিয়া পূন্নমক্কী প্লেটফোর্ম অমনি হায়খ্রে।

মরুওইবা সোসল নেটৱার্ক প্লেটফোর্ম অসিবু 'এন্টি-ট্রম্প' ওই হায়না ফোঙদোকখিবা ট্রম্পকী ত্বীট অমগী পাউখুম পীরদুনা ফেসবূককী সি ঈ ও অমসুং ফাউন্দর অসিনা হায়খি, য়ু এসকী মীখলদা সোসল মীদিয়া প্লেটফোর্ম অসিনা কনামৎতগী মীচং চঙদনবা হোৎনখি। অদুম ওইনমক জকরবর্গনা হায়খি মদুদি য়ু এসকী প্রসিদেন্সিয়ল রেসতা ইথিল পীবগা মরী লৈননা ফেসবূকনা লৌখিবা থৌদাংবু তরাই-তরাইনা উহনবগী মওংদি নুংনাংনিঙাই ওই।

'নুমিৎ খূদিংগী ঐহাক্না মীয়াম্বু অমগা অমগা নকশিন্নহন্নবা অমসুং মীপূম খূদিংমক্কী কম্যুনিটি অমা শাগৎনবা হোৎনৈ। ঐখোয়না মীপূম খূদিংমকপু করিগুম্বা খরা ফোঙদোকহনবা অমসুং আইদিয়া পূন্নমক্কী প্লেটফোর্ম অমা শাগৎপা পামই' হায়না মহাক্না মহাক্কী ফেসবূক পেজদা ফোঙদোকখি

'ট্রম্পনা ফেসবূকপু মহাক্কী মায়োক্তা লৈ হায়রি। লিবরেলশিংনা অমুক ঐখোয়না ট্রম্পপু মতেং পাংখি হায়রি। নাকল অনীমক মখোয়না য়াদবা আইদিয়াশিংগী মায়োক্তা লৈনৈ। মসি আইদিয়া পূন্নমক্কী প্লেটফোর্ম অমা রন তৌবগী মওংদুনি হায়না জকরবর্গনা হায়খি।

রশিয়নশিংনা ২০১৬ কী মীখলদা খূৎ থিংজিনবগী মতাংদা ইনভেষ্টিগেসন পাঙথোকপদা কোংগ্রেসতা ফেসবূকনা কোওপরেসন পীগনি হায়না ফোঙদোকখিবা মতুং নুমিৎ খরনি লৈরগা প্রসিদেন্ট ট্রম্পনা সোসল নেটৱার্ক অসিবু এন্টি-ট্রম্প ওইবগীদমক ক্রিটিসাইজ তৌখি। ট্রম্পনা ত্বীটরদা অসুম্না ফোঙদোকখি, 'ফেসবূক অসি মতম পূম্বদা এন্টি-ট্রম্প ওইখি, মরম অদুনা ফেক ন্যূজগী কাঙবুগা এন্টি-ট্রম্প খূৎপু অমা শেম্বা মাল্লি।'

# টালিবানগী এটেক্কী পাউখুম ওইনা য়ু এসনা এয়র ষ্ট্রাইক চথখ্রে, মীচমশিংদা মীশি মীনা থোকখ্রে



কাবুল, সেপ্টেম্বর ২৮ (এজেন্সি) :

টালিবাননা কাবুল ইন্টরনেস্নেল এয়রপোর্টতা রোকেট কয়া কাপ-শিন্দুনা এটেক তৌখিবগী পাউখুম ওইনা য়ু এসনা মিসাইল অনী কাপখ্রে। টালিবানগী রোকেট এটেক অদু অফঘানিষ্টানদা লাক্লিবা য়ু এসকী ডিফেন্স সেক্রেটরি জিম মাটিসকী প্লেনদা টার্গেট তৌরিবনি হায়না গ্রুপ অসিনা ফোঙদোকখি।

টালিবানগী রোকেট এটেক্কী পাউখুম ওইনা মিসাইল অনী কাপখি হায়না য়ু এসনা ফোঙদোকখি। মিসাইল অনীদুগী মরক্তগী অমদি টার্গেট শোয়খি অমসুং য়ামদ্রবদা অফঘান মীচম অমা শিহনখি।

অফঘান ওফিসলশিংনা হায়খি, টালিবাননা ঙরাং চথখিবা এটেক অদুদা অফঘান নুপী অমা শিখি অমসুং অতৈ মীচম ১১ শোকখি। অফঘান স্পেসল ফোর্সশিংনা এটেক্করশিংদুবু তকথোক্লবা হোৎনখি। মতুং তাবদা থোকখিবা নোংমৈগী লানদা মীওই মরি শিখি। তুংদা য়ু এস মিলিটরিগী ষ্টেটমেন্ট অমনা এয়র ষ্ট্রাইক অমা পাঙথোক্তুনা রোকেট এটেকতুগী পাউখুম পীখি হায়না ফোঙদোকখি।

'য়াম্না নুংঙাইতত্রিবদি মিসাইলশিংদুগী মনুংদগী অমা ফঙ্কসন শোয়রকপদগী থোকহন্নিংদবা মীশি-মীনাশিং থোকখি' হায়না য়ু এস কম্যান্দনা হায়খি।

য়ু এসনা লূচিংবা মিলিটরি কোলিসনগী স্পোক্সমেন নেভিগী কেম্পেইন ৱিলিয়ম সলভিননা টেলিফোনগী ইন্টরভ্যু অমদা হায়খি মদুদি, টালিবানগী এটেকতুগী পাউখুম ওইনা য়ু এসনা হেলফায়র মিসাইল অনী কাপখি। মিসাইল অমদি টার্গেট চুম্না হিট তৌখি। টার্গেট অদুদি লালহৌবশিংনা মোর্টার এটেক চথখিবা বিল্ডিং অদুনি। অতোপ্পা মিসাইল অদুসু টার্গেট অসিমক হিট তৌনবা প্রোগ্রাম তৌখি তৌইগুম্বসুং শোয়না চৎখি অমসুং মদুগী মরমসু খঙদে হায়না সলভিননা ফোঙদোকখি।

হেলফায়রগী ফঙ্কসন শোয়বদুনা মরম ওইরগা য়ামদ্রবদা অফঘান মীচম অমা শিখি অমসুং অতৈ মীচম কয়া শোকখি হায়না সলভিননা ফোঙদোকখি। অইবা ষ্টেটমেন্ট অমদা মীচমশিংদা মীশি মীনাশিং থোকহনখিবদুবু য়ু এসনা লূচিংবা কোলিসননা নুংনাংবা ফোঙদোকখি।

অফঘানিষ্টানগী য়েক্লবশিংনা মীচমশিংদা খুদোংথীবা নঙগদবা মফমশিংদা মখা তানা ওপরেট তৌরবসু ঐখোয়না মীচমশিংদা মীশি মীনা থোক্তনবা লৌখৎপা য়াবা চেকশিন থৌরাং পূম্বা লৌখৎলি হায়না ষ্টেটমেন্ট অদুনা নুংনাংবা উৎখি। মখা তারদুনা ষ্টেটমেন্ট অদুনা হায়খি মদুদি, টালিবান এটেক্করশিংদুনা কাবুল এয়রপোর্ট ময়াদা মোর্টারশিং য়াওনা হাই-এক্সপ্লোসিভ এম্যুনিসন রাউন্দ কয়া কাপখি।

লালহৌবশিংদুনা সুইসাইদ ভেষ্টশিং পোকখায়হন্দুনা মীচমশিংদা খুদোং-থীবা মায়োক্লহনখি হায়নসু য়ু এসকী ষ্টেটমেন্ট অদুনা হায়খি।

এটেক চথরিঙৈ মতমদুদা ডিফেন্স সেক্রেটরি মাটিস নাটোগী সেক্রেটরি-জেনরেল জেন্স ষ্টোল্টনবর্গকা লোয়ননা অফঘান প্রসিদেন্ট অশ্রাম ঘানিগা উনদুনা লৈ। এটেক অদুদা মাটিসকী প্লেনদা প্রোজেক্টাইল অমৎতনা হিৎ তৌখিদে।

ইন্টরিয়র মিনিষ্ট্রিগী স্পোক্সমেন নাজিব দানিশনা ফোঙদোকখি মদুদি, টালিবাননা এয়রপোর্ট অদুদা অমসুং মনাক্তা প্রোজেক্টাইল তরুক ফাওবা কাপ্লকখি। মদুদা এয়রপোর্ট অদুগী ইন্টরনেস্নেল অমসুং মিলিটরি সেক্টর অনীমক লোয়ননা মনাক্তা লৈবা মীচমগী য়ুম অনীদা হিট তৌখি।

টালিবানগী স্পোক্সমেন জাবিহুল্লাহ মুজাহিদকী ত্বীট অমনা হায়খি, মিসাইলশিংনা কাবুল এয়রপোর্টকী মিলিটরি সেক্সনদা হিট তৌখি; টার্গেটতি য়ু এস ডিফেন্স সেক্রেটরিগী প্লেননি অমসুং এটেক অদুদা অমাঙ-অতা কয়া থোকখি।

# চহী ১০ রোমগী মনুংদা অহানবা ওইনা য়ু এসনা রেফ্যুজী মশিং খ্বাইদগী য়ামদনা রিসেট্টল তৌহনগদৌরি



ৱাশিংটন, সেপ্টেম্বর ২৮ (এজেন্সি) :

য়ুনাইটেদ ষ্টেটসনা লৈহনবা য়াবা রেফ্যুজীশিংগী মশিং হন্থহল্লগনি হায়না য়ু এস প্রসিদেন্ট দোনাল্ড ট্রম্পকী এদমিনিষ্ট্রেসননা য়ুমশকৈশা নুমিৎতা হায়খ্রে। অনৌবা থৌরাং অসিগী মখাদা লাক্লিবা চহী অসিদা অমেরিকাদা চঙহনগদৌরিবা রেফ্যুজীশিংগী মশিং ৪৫,০০০ দগী হেল্লরোই। মসি ওবামা এদমিনিষ্ট্রেসননা চৎলিবা শেনবা চহীগী ওইনা প্রপোজ তৌখিবা রেফ্যুজী মশিংগী তঙ্খাইরোমদনি।

করিগুম্বা অনৌবা থৌরাং অসি ইমপ্লিমেন্ট তৌবা তারবদি ফিগর অসি রিসেট্টলমেন্ট প্রোগ্রামগী মখাদা চহী ১০ গী মনুংদা য়ুনাইটেদ ষ্টেটসতা চঙবা য়াবা খ্বাইদগী মশিং হন্থরবা রেফ্যুজী মশিংনি।

রিসেট্টলমেন্ট হায়বসি অতোপ্পা লৈবাক্না চঙজফম পীখ্রবা চিংনবা য়াই হায়না লৌবা য়াবা রেফ্যুজীশিংবু য়ু এস গভর্নমেন্টনা নিংথীনা খন্দোক-খনজিন তৌরগা য়ু এসকী মফম খরদা লৈহনবগী থৌরাংনি। শাথীরবা সিরিয়াগী লান অমসুং নোর্থ অফ্রিকাগী কনফ্লিক্টশিংনা মরম ওইদুনা হন্দক্তা রেফ্যুজীশিংগী মশিং খংৱাং-ৱাংখৎলকখি। চঙজফম থিবা কয়া মিদ্দল ইষ্ট ফাওরগা য়ুরোপতা চৎনখি।

হৌখিবা ২০১৬ তা য়ুনাইটেদ ষ্টেটসনা রিসেট্টলমেন্টকা মরী লৈননা রেফ্যুজী মশিং খ্বাইদগী য়াম্না লৌশিনখি। য়ু এন - ঐচ সি আরগী মতুং ইন্না লৈবাক অসিনা লৌশিনখিবা অপূনবা রেফ্যুজী মশিং ৯৬,৮২৩ অসি খ্বাইদগী নক্লবা কন্টেন্দর ওইরিবা কনাদানা লৌশিল্লিবা রেফ্যুজী মশিংদগী শরুক অনী হেল্লি।

ওষ্ট্রেলিয়া, য়ুনাইটেদ কিংদম অমসুং নোর্ৱেসু কুমজা ২০১৬ কী রিসেট্টলমেন্টশিংদা রেফ্যুজী মশিং খ্বাইদগী য়াম্না লৌশিনখিবা লৈবাক মঙাগী মনুং চনখি। ওষ্ট্রেলিয়ানা লৌশিনখিবা রেফ্যুজী মশিং ২৫,০০০ হেনখি।

কুমজা ২০০৬ তগী চহী খূদিংগী য়ুনাইটেদ ষ্টেটসনা রিসেট্টলমেন্ট প্রোগ্রামশিংগী শরুক ওইনা ওবামা অমসুং বুশ এদমিনিষ্ট্রেসন অনীমক্কী মখাদা রেফ্যুজী ৪৫,০০০ হেন্না লৌশিনখি।

তৌইগুম্বসুং চহী খূদিংগী রিসেট্টল তৌবা রেফ্যুজীশিংগী মশিং অসি মখোয়বু হান্না চঙজফম পীখিবা লৈবাক্তুদা মখা তানা লৈরিবা রেফ্যুজীশিংগী মশিংদগী য়াম্না হন্থরি। মখোয়বু হান্না চঙজফম পীখিবা লৈবাকশিংদু অয়াম্বনা অফ্রিকা অমসুং মিদ্দল ইষ্টকী চাওখৎলক্লিবা লৈবাকশিংনি।

টর্কিদা হৌজিক মীওই মিলিয়ন অহুম রেফ্যুজীশিং ওইনা লৈরি। মশিং অসিগা চাংদম্নবদা য়ুনাইটেদ ষ্টেটসতনা শুপ্নগী রেফ্যুজী ২২৭,০০০ লৈ। মসি য়ু এনগী ষ্টেটিষ্টিক্সকী মতুং ইন্ননি।

পাকিষ্টান অমসুং লেবাননদা রেফ্যুজী মিলিয়ন অমা হেন্না লৈ অদুগা ৯০০,০০০ হেনবনা ইরান অমসুং য়ুগন্দাদা লৈ। নোংচুপলোমগী চাওখৎলবা লৈবাকশিংগী মনুংদা রেফ্যুজী মশিং খ্বাইদগী য়াম্না লৈবা লৈবাক্তি জর্মনিনি। লৈবাক অসিনা কুমজা ২০০৬ তা রেফ্যুজী ৭০০,০০০ লৌশিনখি।

# চাইনা, পাকিষ্টান, অফঘানিষ্টান ওফিসলশিং ৱারী শানখ্রে

ইস্লামাবাদ, সেপ্টেম্বর ২৮ (এজেন্সি) :

লাননা মাঙহন-তাকহল্লবা অফঘানিষ্টানদা পীছ অমসুং চাওখৎপা পুরক্নবগী ওইবা পার্টি অহুমগী ফ্রেমৱার্ক অমগী মখাদা চাইনা, পাকিষ্টান অমসুং অফঘানিষ্টানগী সিনিয়র ওফিসলশিংনা ৱারী শানখ্রে হায়না ইস্লামাবাদতা ফোরন ওফিসনা ফোঙদোকখ্রে।

চাইনা-অফঘানিষ্টান-পাকিষ্টান (সী এ পি) গী প্রেক্টিকেল কোওপরেসন ডাইলোগ অদু অফঘান কেপিটেল কাবুলদা সেপ্টেম্বর ২৬ তগী ২৭ ফাওবা পাঙথোকখি হায়না পাকিষ্টানগী ফোরন ওফিসনা ঙরাং থাদোকখিবা জোইন্ট ষ্টেটমেন্ট অমনা হায়খি।

লৈবাক অহুম্না কোওপরেসন পীনবা য়াবা এরিয়াশিংগী মতাংদা নাকল অহুম্না খন্ন-নৈনখি অমসুং মরী ফগৎহনবা হায়না য়ানখি।

ট্রাইলেটরেল প্রেক্টিকেল কো-ওপরেসন অদুগী পান্দমদি অফঘানদা ইংন-চিক্না শেমগৎ-শাগৎপগী থবক অমসুং শেল-থুমগা মরী লৈনবা থবকশিং পায়খৎপদা মতেং পাংবনি হায়না ষ্টেটমেন্ট অদুনা হায়খি।

# মীশি-মীনা থোকহনবা থৌদৌশিং লেপহন্নবা য়ু কেগী মিনিষ্টরনা ম্যান্মারগী সু চিদা তকশিনখ্রে



নেপিটো, সেপ্টেম্বর ২৮ (এজেন্সি) :

বৃটিশ ফোরন ওফিসকী মিনিষ্টর ওফ ষ্টেট মার্ক ফিল্ডনা ম্যান্মারগী লূচিংবী ওং সান সু চিদা রখাইন ষ্টেটকী ঈরাং লোইশিন্নবা অমসুং তেংবাংগী গ্রুপশিংবু ষ্টেট অদুদা মনীং তম্না চঙবা য়াহন্নবা তকশিনখ্রে।

তৌইগুম্বসুং মার্ক ফিল্ডনা অসুম্না ফোঙদোকখি মদুদি, লৈবাক অদুগী দি ফেক্টো লীদর অদু খুদোংচাদবা ফিভম অমদা লৈ মরমদি ম্যান্মারগী মীয়ামগী ওপিনিয়নদি এন্টি-রোহিংয়া ওই।

কুমজা ২০১৫ গী মীখলদা মায় পাক্তুনা ম্যান্মারগী সিভিলিয়ন লীদর ওইরকখিবা হান্নগী পোলিটিকেল প্রিজনর ওং সান সু চি ক্রাইসিস অদু হেন্দল তৌবগা মরী লৈননা মালেমগী অকনবা প্রেসর মায়োক্লরি।

লৈবাকপোকপা নুমিৎতা পীখিবা স্পীচ নোবেল প্রাইজ ফংখ্রবী লূচিংবী অসিনা মীওইবগী হক খোঙ্গাওনবগী থবক থৌওংশিং কন্দেম তৌখি। তৌইগুম্বসুং আর্মিবু মরাল শীবা নৎত্রগা কাঙলূপ অমা মুথৎনবা হোৎনৈ হায়না মরাল শীরিবদুগী মতাংদা ৱারোল অমৎতা পনখিদে।

কেপিটেল নেপিটোদা ফিল্ডনা ওং সান সু চিগা হকথেংননা ৱারী শানদুনা মহাক ক্রাইসিস অদু হৌখিবদগী লমদম অদুগী মপানদগী লূচিংবী অসিবু উনবা লাকখিবা অহানবা ফোরন মিনিষ্টরনি। মহাক্না শগোলশেন নুমিৎতা বাংলাদেশতা চৎতুনা রিলিফকী থবকসু য়েংশিনখি।

মহাক্না বাংলাদেশতগী বি বি সিদা হায়খি, থম্মোয় কায়নিঙাই ওইরবা মীওইবনা অৱাবা নংবগী শক্তম কয়া মহাক্না উরে। ম্যান্মারদা লৈরিবা ফিভমদু লুই।

'মফমদুদা ডিকেদ কয়ামুক্কী কাঙলূপ মশেলগী য়েৎনবা কয়া লৈ। তৌইগুম্বসুং ঙসি মফমদুদা কা হেন্না অৱাবা নংবগী ফিভম লৈরিবদু মরুওইনা সিক্যুরিটি ফোর্সশিংনা থোকহনবনি।'

ম্যান্মারগী মীয়ামগী ওপিনিয়ননা ওং সান সু চিবু অরুবা ফিভম অমদা লৈহল্লবসু মহাক্না লূচিংবী অসিদা মীশি-মীনা থোকহনবগী থৌদৌশিং লেপহন্নবা অমসুং তেংবাং পীবা মীওইশিংবু ঈরাং থোক্লিবা ষ্টেট অদুদা অপনবা পীদনা চঙহন্নবা তকশিনখি হায়না ফিল্ডনা ফোঙদোকখি।

# অবেনা জপানগী পার্লিয়ামেন্ট মুথৎখ্রে, মীখল ঙন্না পাঙথোক্লবা লাউথোকখ্রে



টোকিয়ো, সেপ্টেম্বর ২৮ (এজেন্সি) :

জপানগী প্রাইম মিনিষ্টর সিঞ্জো অবেনা শগোলশেন নুমিৎতা পার্লিয়ামেন্ট মুথৎখ্রে। লৱর হাউসতা স্পীকর টাদামোরি ওসিমানা অবেনা পুথোক্লিবা রিজোল্যুসন অদু পাথোকখি অমসুং মেম্বরশিংনা মদুবু মখূৎ থাঙ্গৎতুনা শৌগৎনখি।

হাউস মুথৎলিবদু লোগী মতুং ইন্না মুথৎনবগী মতম চহী অমা হেন্না ৱাৎলিঙৈদনি। অসুম্না থিংজিল্লবা অপ্পর হাউস চহী অসিগী ওক্টোবর ২২ দা পাঙথোক্কদৌরিবা মীখল লোইরবা মতুংদা মীফমগীদমক হাংবা য়াগনি

পার্লিয়ামেন্ট মুথৎলবা মতুংদা হাউসতা ৱা ঙাঙলদুনা অবেনা হায়খি, নোর্থ কোরিয়ানা কিহল্লকপা কয়া লৈরিবদুদা মহাক্না মহাক্কী ডিফেন্স পোলিসিশিংগী মতাংদা পব্লিককী অয়াবা অমা লৌবা পামই।

মীখল ঙন্না পাঙথোকপগী ৱাফম য়ানিংদবা ফোঙদোক্তুনা অমসুং নোর্থ কোরিয়াগা টেন্সন লৈনরিঙৈগী মতমদা পোলিটিকেলগী অহাংবা অমা লৈগদৌরিবদুগী য়েংদুনা ওপোজিসন মেম্বর খরনা শগোলশেন নুমিৎকী সেসন অদু বোইকোট তৌখি।

হাউসকী চহী মরিগী টার্ম অদু লোইশিনবগী মতমদি ডিসেম্বর ২০১৮ নি। অদুম ওইনমক অবেনা মীখল ঙন্না কৌরিবদু হাউসতা মহাক্কী পোজিসন চেৎশিন্নবা হোৎনবা অমসুং মহাক্কী টার্মগী মতম অতোপ্পা চহী অহুম অমগা শাংদোকপা য়ানবনি হায়না লৌনৈ। এসোসিয়েটেদ প্রেসকী মতুং ইন্না, ৱাথোক পরিং অমা লাকখিবদগী অমসুং বিজনেস দীল অমদা তিন্নবা মরুপ অমগী মীচং চঙখি হায়বা এলিগেসনশিং য়াওনা অরানবা খোঙথাং খরনা মরম ওইদুনা চহী অসিগী অঙনবা শরুক্তা অবেবু শৌগৎনবগী চাং চাদা ৩০ হন্থখি।

নোর্থ কোরিয়াগা মরী লৈনবা মহাক্কী পোলিসিনা মরম ওইদুনা হৌজিক মহাকপু শৌগৎনবগী চাং চাদা ৫০ গী রেঞ্জদা ৱাংখৎলকখি। মহাক্কী পোলিসি অদুদা লৈবাক অদুগী মায়োক্তা অথিংবশিং থম্নবগী মায়কৈদা চেৎনা চঙশিনবা অমসুং য়ুনাইটেদ ষ্টেটসকা লোয়ননা পূন্না মিলিটরি ওপরেসনশিং পাঙথোকমিন্নবা য়াওরি।

অনীশুবা পার্লিয়ামেন্টকী সেসন লৈররোইদবনা ওপোজিসন মেম্বর-শিংনা মঙোন্দা এটেক তৌগদবা লৈতে অমসুং পব্লিক ডিবেটকী তঙাইফদবা লৈররোই।

নৌনা পাঙথোক্কদৌরিবা মীখলদা অবেগী রুলিং পার্টি লিবরেল - ডেমোক্রেটিক পার্টি (এল ডি পি) না হাউসতা সিম্পল মেজোরিটি ফংবা ঙমগনি হায়না থাজরি। হৌজিক পার্টি অসিনা শরুক অহুম থোকপগী অনীগী মেজোরিটি পায়রিবনি।

অবেনা নোর্থ কোরিয়াগী মায়োক্তা পুথোক্লিবা মহাক্কী ষ্ট্রেটিজিগী পব্লিক মেন্দেট লৌবা পাম্বগা লোয়ননা কনসমসন টেক্স হেনগৎপগী প্রপোজলবুসু লৈবাক্না শৌগৎহনবা পাম্লি। টেক্স হেনগৎপদগী লাক্কদৌরিবা শেনফম অদু মহাক্না এদুকেসন অমসুং চাইল্ডক্যেরদা শীজিন্ননবা প্রপোজ তৌরি।

মরুওইবা ওপোজিসন পার্টি - ডেমোক্রেটিক পার্টিদা মেম্বর কয়ানা পার্টি থাদোক্লবা উখি অমসুং পার্টি অসি মীয়াম্না য়াবগী রেটিংসতা সিঙ্গল ডিজিৎতগী হেন্দ্রি। অমুকসু পার্টি অসি চহী অসিগী জুলাই থাদা মসিগী লীদর রিজাইন তৌখিবদগী মীখলগীদমক শেম-শাবদা মঙম শাল্লোইদবগী ফিভমসু মায়োক্লরি।

# ম্যান্মারগী কনফ্লিক্ট জোনদা অপনবা লৈতনা চঙহন্নবা এইদ গ্রুপশিংনা তকশিনখ্রে

*য়াঙ্গোন, সেপ্টেম্বর ২৮ (এজেন্সি) :*

*ম্যান্মারদা লৈরিবা ইন্টরনেস্নেল এইদ গ্রুপশিংনা রখাইন ষ্টেটতা মনীং তৌনা চঙদুনা থবক তৌবা য়াহন্নবা গভর্নমেন্টতা তকশিনখ্রে। আর্মিনা লালহৌবশিং তকখায়বগী মীংদা অকনবা মিলিটরি কেম্পেইন অমা চথবদগী ষ্টেট অদুগী মীওই ৪৮০,০০০ বাংলাদেশতা চেনশিনখ্রবা মতুংদা মীওই লীশিং চা কয়া চীঞ্জাক, লৈফম অমসুং মেদিকেল ক্যের ফংদনা লৈরিবনি হায়রি।*

*হৌখিবা ওগষ্ট ২৫ দা বাংলাদেশ বোর্দরগী মনাক্তা লৈবা সিক্যুরিটি পোষ্টশিংদা রোহিংয়া মুস্লিম লালহৌবশিংনা কোওর্দিনেটেদ এটেকশিং চথখিবগী পাউখুম ওইনা ম্যান্মারগী ৱেষ্টর্ন ষ্টেট অদুদা আর্মিনা খ্বাইদগী নৌবা কেম্পেইন অদু হৌখিবনি।*

*সিক্যুরিটিগী ফিভম ফৎতে হায়দুনা গভর্নমেন্টনা ইন টরনেস্নেল নন-গভর্নমেন্ট গ্রুপশিং (আই এন জি ওশিং) লোয়ননা য়ু এনগী এজেন্সিশিংবু ষ্টেট অদুগী অৱাং থংবা শরুক্তা থবক তৌবদা অথিংবা থমখি। 'তেংবাংগী গ্রুপশিংনা চঙবদা কা হেন্না অথিংবা থম্বা অমসুং রখাইন ষ্টেট অপূম্বদা য়াম্না তঙাইফদ্রিবা তেংবাংগী পোৎলমশিং য়ৌহন্নবা হোৎনবদা খুৱৌ কয়া থাংলিবসিদা ম্যান্মারদা লৈরিবা আই এন জি ওশিংগী পেন্দবা হেনগৎলক্লি হায়না হৌখিবা য়ুমশকৈশগী অথেংবদা এইদ গ্রুপশিংগী ষ্টেটমেন্ট অমনা হায়খি।*

*মশিং খঙদবা মীওই কয়া ময়ূম-মকৈ লৈহন্দ্রে, মীওই লীশিং কয়া চীঞ্জাক, লৈফম অমসুং মেদিকেল সর্ভিসশিং ফংনখ্রে হায়না গ্রুপশিং অদুনা হায়খি। লৈবাক অসিদা লৈরিবা গ্রুপশিংদুদা ক্যের ইন্টরনেস্নেল ওক্সফাম অমসুং সেভ দ চিলদ্রেন য়াওরি।*

*গভর্নমেন্টকী মায়কৈদগী ম্যান্মার রেদ ক্রোসতা ষ্টেট অদুদা তেংবাংগী পোৎলমশিং য়েন্থোকপগী চার্জ শিন্নখি। থবক্তু ইন্টরনেস্নেল কম্মিটি ওফ দ রেদ ক্রোসকী মতেংগা লোয়ননা পাঙথোক্কদবনি। তৌইগুম্বসুং গ্রুপশিংদুনা হায়খি মদুদি, অৱাবা তারবা মীশিংগী মশিং য়াম্মনখিবনা ফংহল্লিবা তেংবাংগী পোৎ-চৈশিংদু কোন্নরোই হায়না মখোয়না ৱাই।*

*থা খরা অসিদা গভর্নমেন্টনা এইদ এজেন্সিশিংগা মরী ফৎনদনা লাক্লি। ওফিসলশিংনা গ্রুপ খরবু লালহৌবশিংদা মতেং পাংই হায়না মরাল শীখি।*

# মলেসিয়াগী সিটিজনশিংনা নোর্থ কোরিয়াদা চৎপদা অথিংবা থমখ্রে



কুলা লম্পুর, সেপ্টেম্বর ২৮ (এজেন্সি) :

মলেসিয়ানা লৈবাক অসিগী সিটিজনশিংনা নোর্থ কোরিয়াদা চৎপদা অথিংবা থমখ্রে। পিয়োংয়াংগী খুৎলাই প্রোগ্রামশিংগা মরী লৈননা মালেমনা নোর্থ কোরিয়াদা ডিপ্লোমেটিক প্রেসর পীবা হেনগৎলকপদগী মলেসিয়নশিংনা নোর্থ কোরিয়াদা চৎপা থিংখিবনি।

শগোলশেন নুমিৎতা থোকখিবা ষ্টেটমেন্ট অমদা মলেসিয়াগী ফোরন মিনিষ্ট্রিনা অথিংবদু লাউথোকখি অমসুং মদু মখা তাবা নোটিস অমা থোক্ত্রিফাওবা চৎনগনি হায়খি। ট্রাভেল বেন অদুনা ওক্টোবর ৫ দা পিয়োংয়াংদা মলেসিয়া অমসুং নোর্থ কোরিয়াগী মরক্তা শান্ননবা লেপখিবা এসিয়ন কপ ক্বালিফাইয়র ফুটবোল মেটচ অমদা শোকহনবা য়াই। মেটচ অদু সিক্যুরিটি ইস্যূশিংনা মরম ওইদুনা হান্ননা মতম অনীরক শাংদোকখ্রবনি।

অথিংবদু লৈরবসু শান্নগদৌরিবা টিম অদু পিয়োংয়াংদা পাইবা য়াহল্লবদি করি তৌগনি হায়না হংবদা ফুটবোল এসোসিয়েসন ওফ মলেসিয়ানা হায়খি মদুদি, এসোসিয়েসন অসিনা শগোলশেন নুমিৎকী অথেংবদা ষ্টেটমেন্ট অমা থোক্কনি।

ফোরন মিনিষ্ট্রিগী ষ্টেটমেন্ট অদুনা নোর্থ কোরিয়াগী মিসাইল চাংয়েংশিং অমসুং মরী লৈনবা ডিভলপমেন্টশিং পনখি। হন্দক থা খরসিদা নোর্থ কোরিয়ানা মালেমগী অকনবা অথিংবা কয়া অমসুং অহেনবা ডিপ্লোমেটিক প্রেসর মায়োক্লরকখি। হৌখিবা চয়োল খরসিদা কুৱেট অমসুং মেক্সিকোনা নোর্থ কোরিয়াগী এনভোইশিং তান্থোকখি।

হৌখিবা জুলাই থাদগী পাঙথোকখিবা চাংয়েংশিংদা নোর্থ কোরিয়ানা লৈবাক অসিগী অহানবা ইন্টরকন্টিনেন্টেল বলিষ্টিক মিসাইলশিং পাইহনখি অমসুং ময়াই ওইরপ শানবা মিসাইলশিং জপান লান্না পেসিফিকতা কাপশিনখি। লৈবাক অসিনা মসিগী তরুকশুবা ন্যুক্লিয়র ডিভাইসসু চাংয়েং তৌখি।

হৌখিবা ফেব্রুৱারিদা কুলা লম্পুর এয়রপোর্টতা নোর্থ কোরিয়াগী লূচিংবা কিম জোং-উনগী পোকমিন্নদবা মচিন-মনাও অমা হাৎখিবা মতুংদা লৈবাক অনীগী মরক্তা টেন্সন লাকখিবা লৈরবসু মলেসিয়া অসি মালেমদা লৈহৌরিবা মশিং য়ামখিদ্রবা নোর্থ কোরিয়াগী ডিপ্লোমেটিক পার্টনরশিংগী মনুংদা অমনি। লৈবাক অনীনা অমনা অমগী সিটিজনদা চৎথোক-চৎশিনদা অথিংবা থম্লখি। অথিংবশিংদু মার্চ থাদা য়ানবা অমা পুরক্তুনা লৌথোকখি।

নোর্থ কোরিয়ানা শৱৌ তৌরগা পাঙথোকখিবা ওইরমগনি হায়না থাজনখিবা মীহাৎ অদুগা মরী লৈননা ভিয়েটনাম অমসুং ইন্দোনেসিয়াগী নুপী অনী চার্জ তৌখি।